# স্কোলারশিপ পীথোক্তবা চুমদে

## সরকারনা এসসি মহৈরোইশিংগী হক মৎপনি

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা কন্সটিট্যুসনগী অখন্নবা প্রোভিজন খরগী মখাদা শোত্থহৌরবা কাঙলূপশিংবু খুন্নাইগী থোং মান্নবা থাক অমদা হিংহন্নবগীদমক্তা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরি। অদুবু মণিপুরদদি মেত্রিক পাস তৌরবা এসসি মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপকি শেনফম অদু ফাওবা সরকারনা পীথোক্ত্রে হায়না চৎলিবা মে থা অসিগী ২৪ দগী ষ্টেট অসিদা পুং ৩৬কি জেনরেল ষ্ট্রাইক অমা 'পোষ্ট মেত্রিক স্কোলারশিপ এফেক্টেদ গার্জিয়ান কম্মিটি' না কৌখিবা অসি ষ্টেট গভর্নমেন্টনা তরাইনা লৌবা চুপ্লোই। স্কোলারশিপকি শেনফমশিং অদু ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা মতম চানা সেঙ্কসন তৌরক্তবশু নত্তে। অদুবু মণিপুর সরকারনা সেদ্যুল কাষ্টকী সেক্সন অসি ত্রাইবেল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টতগী খাইদোক্লগা মাইনোরিটি এন্দ অদর বেকৱার্দ ক্লাশেস লোয়শঙদা হাপচিনবদগী পোষ্ট-মেত্রিক স্কোলারশিপকি শেনফমশিং অদু য়েহ্নোকপদা মতম থেংথবনি হায়না মরম পীরি। মরক অসিদা সরকারগী মায়কৈদগী কম্মিটিগী মফমদা দরকার লৈবা সেঙ্কসন অদু ফংলে অমসুং স্কোলারশিপশিং অদু নুমিৎ ১০নিদগী ১৫নি ফাওবগী মনুংদা য়েহ্নোক্কনি হায়নশু ইং ২০১১গী নভেম্বর ২১ দা থাজবা পীখ্রবনি। মতম অদুদগী ইং ২০১২ গী মে থা য়ৌশিল্লক্লবা, থা তরেৎ শুজিল্লক্লবা অসি ফাওবদা স্কোলারশিপকি শেনফম অদু পীথোকপা তৌদনা লৈবা হায়বসি সরকার অসিনা মাইনোরিটিগী মহৈরোইশিং মরুওইনা এসসি কেটেগোরিবু মীরাইবা ওইনা উনরি। অমরোমদা, ত্রাইবেল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্টতগী সেদ্যুল কাষ্টকি সেক্সন অদু খাইদোক্লগা এমওবিসি দিপার্টমেন্টতা মর্জ তৌশিনবদা থা তরেৎ চঙহল্লিবা অদুগী মরম অদু করিগীনো হায়বা ৱাহং অমসু লাক্তবা নত্তে। ককচীং, ৱাবগাই, শুগুনু, ৱাংখেম, সেকমাই, অন্দ্রো, ওইনাম, থাঙ্গ অমসুং হীয়াংলম্নচিংবা কেন্দ্রশিংদা লৈরিবা এসসি গী পোষ্ট - মেত্রিক মহৈরোই মশীং অসি লাক্ষ অমা য়ৌরমগনি হায়বা থাজদে, য়াম্লবদা লীশীং মঙা তরাগুম্বা মঙাই। মরম অসিনা এমওবিসি গী মাংজৌননা শেম-শাদুনা থম্লবা মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপ য়েহ্নোকপগী থবক তৌরিবা ওফিসিয়েলশিং অদুনা এসসি মহৈরোইশিংগী স্কোলরাশিপ অদুশু য়েহ্নোকহনবদা থোইদোকনা অরুবা ৱাফম ওইগনি হায়না খন্দে। হীরম অসিদা চিফ মিনিষ্টর অমসুং মরী লৈনবা মন্ত্রিনা অকনবা মীৎয়েং অমা চঙশিনবা চুমগনি। এমওবিসি লোয়শঙদা এসসি গী স্কোলারশিপ য়েহ্নোক্লবা থবক শিন্নবদা থা তরেৎ চঙহল্লিবা শাসনগী মওং অসি অৱাং-নোংপোক লমদমদা ই-গভর্নেন্সকি সিষ্টেম চৎনবা ইহান হানবা ষ্টেট ওইরে হায়না য়াম্না চাউথোক্না লাউথোক্লিবা মণিপুর সরকারগী মায় খুনীংঙাইনি। মসিনা, হন্দক্কি স্কোলারশিপকি ইশু অসিদা সরকারগী মনুং ইহো হোবা এদমিনিষ্ট্রেসন অদু উৎলে হায়বা য়াই। নত্রগা মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপ পীগদবা শেনফম অদু অতোপ্পা মরী লৈনদবা হীরম অমদা শীজিন্নখ্রবরা হায়বসিশু সরকারনা শেংদোকপা চুমগনি। কর্ম্মচারিশিংগী তলব অমসুং জিপিএফনচিংবা শেনফম ফাওবদা ফন্দ লৈতে হায়দুনা পীথোকপা ঙম্লত্ত্রবা সরকারনা মহৈরোইশিংগী স্কোলারশিপ্তা খুৎ থারম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা সরকারগী থৌওং অসি ষ্ট্রিমলাইন তৌদুনা শেমদোকপগী মথৌ তাই, নত্রবদি ই-গভর্নেন্সকি খুত্থাংদা প্লবীক সার্ভিস তৌরগনি হায়না শেম-শারিবা পুম্নমক মরিং-মরাংবা ৱাফম ওইনা উরক্লবা মচাক অমা শোয়দনা ওইগনি। মরুওইনা, সরকারদগী স্কোলারশিপ লৌরিবা এসসি নত্রগা এসটি মহৈরোইশিং অসি অয়াম্বনা লায়রবা ইমুংগী মীওই ঙাক্তনি। সরকারগী মায়কৈদগীশু মখোয় পুম্নমক অশেংবা স্কোলারশিপ পীবা য়ারবা ঙাক্তনি হায়না কুপ্না ভেরিফাই তৌদুনা পীরিবনি। মরম অসিনা অথুবা মতমদা পীথোকফম থোকপা শেনফমশিং অদু পীথোক্লবা হোৎনবা চুমগনি। সরকারগী অশোয়বনা ষ্ট্রাইককি বার্ত্তন হেক হেক তৌবগী হৈনবী অসি থাদোকপা চুপ্লে।